# পাকিস্তানগী হেলিকোপ্টর ১ অফঘানিস্তান্দা কায়খ্রে
## অতোংবশিং টালিবান্না ফারম্লগনি হায়না মীপাইনরি

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৫ ঃ

টালিবান্না কন্ট্রোল তৌবা যুমথংনবা অফঘানিস্তানগী টেরটরিদা পাকিস্তানি গভর্ণমেন্টকী হেলিকোপ্টর অমা ফীভমনা যাদদুনা হাথু হাথু তাশিনবদা কায়খিবদগী পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু খুদিংমক লালহৌবশিংনা ফারম্লগনি হায়না মীপাইনরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।



হেলিকোপ্টর অদু অফঘান-পাকিস্তান বোর্দরগা নক্নবা নোগর প্রোভিন্সতা তাখিবনি। প্রোভিন্স অসি পাকিস্তানি মিলিটরিনা চহী অনী ওপরেসন চথ্দুনা টালিবান অমসুং মীচং ওইবা ফাইটর কয়া অফগানিষ্টান মনুংদা তকশিনখিবা মতুংদা লো চৎনদবা মফম অমা ওইরকখি।

'টালিবান্না ফাজিল্লিবশিংদু পাকিস্তানিশিংনি' হায়না নোগরগী গভর্ণরগী স্পোক্সমেন শম্মীন সালেহনা হায়খি। 'হেলিকোপ্টর অদু কাপথখিবা নত্তে তৌইগুম্বসু টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা লৈবদগী লেন্দিং তৌখিবনি।'

পাকিস্তানি ফোরেন ওফিসকী স্পোক্সমেন্না পঞ্জাব প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণমেন্টনা শিজিন্নবা হেলিকোপ্টর অমা ইমরজেন্সি লেন্দিং তৌখি হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌখি। স্পোক্সমেন অদুনা ক্রুগী মরাইবক করি ওইখ্রবগে হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি হায়খি।

'অফঘান ওথোরিটিশিংনা হেলিকোপ্টর অমসুং পেসেঞ্জরশিংদু কদায়দা লৈবগে হায়বদু খঙনবা থীহুম্লগনি হায়না থাজবা পীরক্লে' হায়না স্পোক্সমেন নাফিজ জকারিয়ানা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, হেলিকোপ্টরদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর তরেৎকী মনুংদা তরুক্না পাকিস্তানিশিংনি অমসুং অমনা রসিয়ন টেক্নিসিয়ন অমনি। পাইলোট অদুসু পাকিস্তানিনি। এয়রক্রাফটতু অৱাং পাংনা হেন্না চঙশিন্দুনা যুজবেকিস্তানদা পাইবগী লম্বীদা অফঘানিষ্টানগী এয়র স্পেসতা পাইবা য়াবগী পার্মিসন পায় হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

শগোলশেন নুমিৎতা পাকিস্তানি আর্মি চীফ জেনরেল রহীল শরিফনা যু এসকী তোপ কম্মান্দর জেনরেল জোন নিকোলসনগা ৱারী শান্নখি অমসুং পাকিস্তানি পার্সোনেল কাঙবুদু ফংনবা তৌবদা ইন্টরনেসনেল মিলিটরি কোলিসনগী মতেং পীয়ু হায়খ্রে হায়না মিলিটরিগী স্পোক্সমেন লেফটনেন্ট জেনরেল অশিম নাজকনা ত্বীট অমদা হায়খি।

নোগরগী অজরা দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর হমীদ খাননা হায়খি, হেলিকোপ্টর অদু মহাক্কী বোর্দর দিষ্ট্রিক্টতা তাশিল্লকখি। মফমদু পাকিস্তানগী কুরম এজেন্সি লান্থোক্লগা লৈ। মখোয়দু টালিবান্না ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না খাননা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তানগী সিনিয়র মিলিটরি ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, রসিয়ানা শাবা এম আই-১৭ ট্রান্সপোর্ট হেলিকোপ্টর অদু মেন্টেনেন্সকীদমক্তা নোর্থৱেষ্ট পাকিস্তানগী পাশৱারদগী যুসবেকিস্তানদা পাইখিবনি। লমখাংদা টেক্নিকেল ফেল্যুর লাকপদগী অথু-অকায় ওইনা তাশিনখিবনি।

মহাক্না হায়খি, হেলিকোপ্টর তোংলিবশিংদুগী মরমদা মঙোন্দা ইনর্ফোমেসন অমত্তা লৈতে। মশকমমিং তাকথোক্তবগী ফীভমদা ৱা ঙাঙখিবা অতৈ মিলিটরি ওফিসলশিংনা হায়খি, হেলিকোপ্টরদুদা তোংখিবশিংগী মনুংদগী মীওই অহুমদি থবক্তগী পোথারবা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনি।

# ইস্লামাবাদনা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং 'খন্দোক্লগা' টার্গেট তৌই, গ্রুপ লোইনমক্তা টার্গেট তৌগদবনি : যু এস

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) ঃ

পাকিস্তান্না মিলিটেন্ট গ্রুপশিংবু 'খন্দোক্লগা' টার্গেট তৌই হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখিবদা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইস্লামাবাদতা মিলিটেন্ট গ্রুপ খুদিংমক লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে। মুখৎকদৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদুগী মনুংদা যুম্লোন্নরিবশিংনসু টার্গেট তৌবামিলিটেন্ট কাঙবুশিংসু য়াওগদবনি অমসুং ইস্লামাবাদনা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম খুদিংমকসু থিংজিনগদবন হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মখা তানা তকশিনখি।

'পাকিস্তান্না টেররিষ্টকী ঈরাংগী মায়োক্তা খোঙথাং কয়া লৌখৎখ্রে, হৌজিকসু লৌখৎলি অমসুং পাকিস্তানি নৎত্রগা পাকিস্তানগী তং-তাবগী ফীভমদা অকিব পোকহল্লিবা গ্রুপশিংদা তশেংনা অকনবা মিৎয়েং থমই হায়না ঐখোয়না থাজে। পাকিস্তানি মিলিটরিনা লালহৌবশিংগী লোৎফম খরা থিংজিনখ্রে হায়বা ঐখোয় খঙই। মখোয়না চহী কয়া টেররিষ্টশিংগী লোৎফম নৎত্রগা লৈফম ওইদুনা লাকপা পাকিস্তানগী মফম খরদা গভর্ণমেন্ট কন্ট্রোল হঞ্জিনহনখ্রে হায়বা ঐখোয়না খঙই' হায়না যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সন মার্ক সি টোনরনা নুংতিগী পাঙথোকপা মিদিয়া ব্রীফিং অমদা হায়খি।

টোনরনা হায়খি, পাকিস্তাননা টেররিষ্টশিংবু মাংহন্নবা লৌখৎখিবা খোঙথাং খরদি পাকিস্তানি থৱাই কয়াগা ওন্নখিবনি।

'ঐখোয়না পাকিস্তান গভর্ণমেন্টকী খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেলশিংদা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে মদুদি, মখোয়না মিলিটেন্ট গ্রুপ খুদিংমক টার্গেট তৌগদবনি লোয়ননা গ্রুপশিং অদুদা পাকিস্তানগী যুম্লোন্নবশিংদা এটেক তৌবশিংসু য়াওগদবনি। মখোয়না লালহৌবশিংগী লোৎফম খুদিংমক থিংজিনগদবনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লমদম অদুদা টেররিজমগী মায়োক্তা পুন্না লৌখৎমিন্নরিবা খোঙথাংশিংগী মরমদা পল্লদুনা টোনরনা হায়খি মদুদি, কাউন্টর টেররিজমগী থবকশিংগা মরী লৈননা ৱাশিংটননা ইস্লামাবাদ অমসুং ন্যু দিল্লিগী মরক্তা রিজনেল দাইলোগ চথনবা পুক্নিং থৌগৎলি।

লৈবাক অনীমক্তা লৈরিবা টেররিষ্ট থ্রেটশিং দিল তৌনবা ঐখোয়না ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান অনীগী মরক্তা হেন্না নকশিন্ননা কো-ওপরেসন পীনবগী ৱাফম শৌগৎলি।

টেররিজম অসি লৈবাক অনীমক্তা থাঙ্গৈশেংনা থোক্লিবা অমনি। মসিবু মায় পাক্না মায়োক্লবদা মখোয়না পুন্না থবক তৌমিন্নবা চঙই। মসি ঐখোয়না মতম শাংনা পুক্নিং থৌগৎতুনা লাকপা অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ওবামানা ইস্লামিক ষ্টেট হৌজিকসু অমেরিকাদা থ্রেট অমা ওইরি হায়খ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) ঃ

ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লম কয়া মখুৎতগী নান্থোকখ্রবসু ইস্লামিক ষ্টেট নৎত্রগা আই এস আই এস অসি যু এসতা হৌজিকসু থ্রেট অমা ওইদুনা লৈরি হায়না প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা হায়খ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট অসি মিদ্দল ইষ্টকী মফম কয়াদা লম কয়া মখুৎতা লৈরম্বদগী মাংখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মফমশিং অদুদগী তকথোকখিবদগী গ্রুপ অসিনা মপান্দা এটেক তৌবদা মিৎয়েং হেন্না থম্লক্লি।

মহাকনা হায়খি, গ্রুপ অসিদা থাজবা থম্বা মরন্নাই থবক তৌবা মীওইশিংনা দিটেক্ট তৌবা অমসুং থিংবদা ৱাগদবা থবক কয়া পাঙথোক্কনি।

ওবামানা হায়খি, যু এসনা টেরর নেটৱার্ক থুগাইবগী থবকশিং নীংথিনা পাঙথোকপগা লোয়ননা মীওই কয়াদা ঈথিল পীদুনা টেররগী থবকশিং পাঙথোকহনগদবা ওনলাইন মেসেজশিং ফাবা তাই।

মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা মীওই খরবু নৎত্রগা সুপ্নগী মীওই অমবু সবৱে অমদা নৎত্রগা পেরেদ অমদা নৎত্রগা অতৈ পব্লিক মীয়ামবু মখা তানা অকিবা অমসুং মীপাইবা পোকহনবা ঙমগনি হায়না আই এস আই এসনা থাজে। অসুম্না তৌবনা মীয়াম্না মখোয়বু কি হঙ্গোইনা চৎলি অমসুং মখোয়গী শক্তম হেন্না ময়েক লাহল্লি হায়না লৌই। মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না নৎত্রগা মহাক্কী মহুৎ শিনবশিংনা টেররিজমবু তশেংনা মুথৎপা ঙমদবা য়াই। তৌইগুম্বসু ঐখোয়না কন্না হোৎনবদগী ঐখোয়গী হোমলেন্দ অসি থাঙ্গৈশেংনা লৈরম্বা য়াবা ফীভম অদুদগী য়াম্না হেন্না খুদোংথীবা থোকপা য়াবগী চাং হন্থরক্কনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

হৌখিবা থাদা ফ্রান্সকী নীসতা বাষ্টিল দেদা চথখিবা এটেক য়াওনা হন্দক্তা হাৎখিবা মীহাৎ কয়া আই এসনা ক্লেইম তৌখি। ফ্লোরিদাগী ওর্লান্দোদা লৈবা গে নাইট ক্লব অমদা চথখিবা এটেক্তসু মীওই ৪৯ শিখ্রে। গ্রুপ অদুনা মখোয়দা এটেক চথনবা দিরেক্সন পীখিদবা তারবসু এটেক্করশিংদু আই এসনা ঈথিল পীরবনি হায়না লৌনৈ।

# নেপালনা কন্সটিট্যুসনগী ময়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবদা শিখিবশিংগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি

কথমন্দু, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) ঃ

অনৌবা কন্সটিট্যুসনগী মতমদা টেরাইদা প্রোটেষ্ট তৌবদা শিখিবশিংগী ইমুংশিংদা মীওই অমমমগী ওইনা লুপা মিলিয়ন অমমম পীরগনি হায়না নেপালগী অনৌবা গভর্ণমেন্টনা ঙসি লাউথোকখ্রে।



ইরাই নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর পুসপা কমল দাহল প্রচান্দানা লুচিংদুনা ফমখিবা কেবিনেট মীফম অমনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌখ্রে। যুমশকৈশা নুমিৎতা ঈরাং হৌরিবা মাধেশ বেজ পোলিটিকেল পার্টিশিংগা পুরকখিবা এগ্রিমেন্ট য়েংদুনা গভর্ণমেন্টনা কম্পেন্সেসনগী শেনফম অদু থাদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর খন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মাধেসি পার্টিশিং অমসুং রুলিং এলাইয়েন্স ওইখিবা নেপালি কোংগ্রেস অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (মাওইষ্ট সেন্টর) গী মরক্তা অরুবা ইস্যু অদুগী মতাংদা পোইন্ট অহুমগী এগ্রিমেন্ট অমা পুরকখি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদগী হৌখিবা থা মাপন চথখিবা প্রোটেষ্ট অদুগী মনুংদা মীওই ৫৯ শিখি অমসুং মীওই কয়া শোকখি।

অশোকপা মীওই খুদিংমক্তসু গভর্ণমেন্টনা তঙাই ফদবা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা খুদিংমক পীননবসু ৱারেপ লৌখ্রে। মখোয়গী লায়েংগীদমক্তা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী শেলগী তেংবাঙ মাঙজৌননা পীখ্রবনি।

এগ্রিমেন্ট অদুগী মখাদা মাধেসিগী প্রোটেষ্টশিংদুগী মনুংদা শিখিবশিং অদু গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্কীদমক্তা মথ্বাই কৎখিবশিংনি হায়না লাউথোক্কনি।

টেরাইগী প্রোটেষ্ট অদুগী মনুংদা ষ্টেট এজেন্সিশিংনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিংগী মরমদসু থিজিনহন্নবা জুদিসিএল কম্মিসন অমা শেম্লগনি। কেবিনেটনা হোম মিনিষ্ট্রিদা প্রোসেস অদু হৌনবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে হায়রি।

শরুাইরবা মাধেসি লিদর উপেন্দ্র যাদবনা গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অদুবু তরাম্না ওকখ্রে। চৈরকসিদা গভর্ণমেন্টনা এম্বেসেদর ১৪ গী মমিং পনখিবা প্রপোজেল ৱিঠদ্রো তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়নসু দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর কৃষ্ণ বাহাদুর মহারানা হায়খ্রে। প্রপোজেল অদু হান্নগী কে পি শর্ম্মা ওলি গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবনি।

# ইজিপ্টকী সিনাই প্রোভিন্সতা আই এসকী লিদর অমা, মিলিটেন্ট ৪৫ হাৎখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) ঃ

ইজিপ্টকী সিনাই প্রোভিন্সতা চথখিবা মিলিটরি ওপরেসন অমদা আই এস আই এসকী মীচং ওইবা লিদর অমা অতৈ মিলিটেন্ট ৪৫ গা লোয়ননা হাৎখ্রে হায়না ইজিপ্টসিয়ন আর্মিনা লাউথোকখ্রে।



আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, অবু দুৱা অল-অন্সারি হায়না খঙনবা অন্সর বাইট অল-মকদিস মুভমেন্টকী মকোক অমসুং মহাক্কী তেংবাঙলোয় কয়া আই এস আই এস ওফিলিয়েটকী ষ্ট্রোংহোল্ডশিংদা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা শিখ্রে। 'মখোয়না নোংমৈ কয়া অমসুং নোংমৈ মরু মপৈ কয়া লোয়ননা বোম কয়াসু থুগাইখ্রে।'

পুম্নমকসিগী মথক্তা মখোয়না অতৈ মেম্বর কয়া অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না সি এন এননা আর্মিগী ষ্টেটমেন্টদু পল্লদুনা হায়খি। অদুম ওইনমক আর্মিনা অশিবশিংগী মমিং কদায়দগী করম্না কনফার্ম তৌরিবনো হায়বগী অকুপ্পা মরোলশিং ফোঙদোকখিদে।

অন্সারি বাইট অল-মকদিসকা মরী লৈননা অন্সারিগী মমিং অতৈ মফমশিংদা ফোঙলকখিবা লৈত্রি হায়রি। রিপোর্টশিংনা হায়রি মদুদি, কুমজা ২০১৪ দা আই এস আই এসকা মীচং ওইনখিবদগী গ্রুপ অদুনা তোঙানবা মমিং অমা থোনজখি। ইজিপ্টসিয়ন আর্মিনা জিহাদিষ্ট গ্রুপ অদুবু মসিগী ওরিজিনেল মিংদা খঙনরিবরা নৎত্রগা অনৌবা মমিংদা ওইনা খঙনরবরা হায়বা শেংনা খঙদ্রি হায়রি।

অন্সর বাইট অল-মকদিজনা কুমজা ২০১৪ দা আই এস আই এসতা থাজবা থমদুনা গ্রুপ অসিগী মখাদা থবক তৌরগনি হায়না লাউথোকখি। হৌখিবা চহীদা ইজিপ্টকী রিজোর্ট অমদগী মী ময়াম পুখিবা রসিয়ন এয়রলাইনর অমা কাপথখিবদু মখোয়গী খুৎনি হায়না গ্রুপ অসিনা ক্লেইম তৌখি। থৌদোক অদুদা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ২২৪ মক শিখিবনি।

ইজিপ্টসিয়ন মিলিটরিনা ফেসবুক পেজদা লাউথোকখি মদুদি, মসিগী মায় পাক্লবা ওপরেসন অসিনা আর্মদ ফোর্সেসনা লৈবাক্কীদমক্তা মথ্বাই কৎখিবা লাম্মীশিং অদুগী লমন শিংগনি হায়না ফোঙদোকখিবদু থবক্তা ওন্থোরক্লে হায়না কনফার্ম তৌরে।

ইজিপ্টকী আর্মিনা চহী কয়ামুক নোর্দন সিনাইদা ইস্লামিক লালহৌবশিংগী মায়োক্তা ওপরেসনশিং চথরকখি তৌইগুম্বসু কুমজা ২০১৩ গী ওগষ্টতা হান্নগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মোর্সিবু মফম লৌথোকখিঙৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা এটেকশিং কনখৎলকখি। মীয়ামগী প্রোটেষ্ট কয়া পাক শন্না চথরকপদগী মতমদুগী আর্মি চীফ অব্দুল ফাটা অল সিমিনা মোর্সিবু মফমদগী চিংথুখি। কুমজা ২০১৩ গী ময়ায়থংবা মতমদগী লাম্মী অমসুং পুলিস চা কয়া ইজিপ্টকী লালহৌ অদুদা শিখ্রে।

হৌখিবা থাদা এ বি এমগী মিলিটেন্টশিংনি হায়না থাজবশিংনা নোর্দন সিনাইদা এটেক অমা চথখিবদা আর্মিগী মায়কৈদা খ্বাইদগী শাথিবা মীশি মীনাশিং নংখিবনি। এটেক অদুদা সিক্যুরিটি পার্সোনেল ৩৩ শিখি।

অল সিসিনা এটেক অদুদা মীরৈবাক্কী ফোর্সশিংসু শরুক য়াখি হায়না মরাল শিখি অমসুং গজাগা তাইনবা রাফা বোর্দর ক্রোসিং থিংজিনখি।

# সিঙ্গাপোরদা এটেক তৌনবগী খুজিল থৌরাং অরেম্বা তাহনখ্রে

জকার্টা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) ঃ

সিঙ্গাপোরগী ঈশিংগা তাইননা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমগী অকে-অমৌগী ওইবা কৈথেল অমদা মনাক নকপা ঈথৎ অমদগী রোকেট এটেক অমা চথনবগী থৌরাং অমগা মরী লৈননা ইন্দোনেসিয়ন পুলিসনা ইরাই নুমিৎতা মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই তরুক ফাগৎখ্রে। পাউ অদুনা মরম ওইদুনা সিটি ষ্টেট অদুগী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হেনগৎহনখ্রে হায়রি।

চহী ১৯ দগী ৪৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই তরুক অদু ইনাক খুল্লবা সিটি ষ্টেট অদুগী খারোমদা লৈবা ইন্দোনেসিয়াগী ঈথৎ বাটমদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না নেসনেল পুলিসকী স্পোক্সমেন এগস রিয়ান্টোনা হায়খি।

গ্রুপ অদুগী লুচিংবা গিগি রহমট দেৱাবু বাহরুন নাইমগা লোয়ননা এটেক অমা চথনবা থৌরাং তৌরি হায়না মরাল শিরি। বাহরুন নাইম অসি সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপকা লোয়ননা লাল শোক্নরি হায়না থাজনবা মকোক থোংবা ইন্দোনেসিয়ন মিলিটেন্ট অমনি হায়না রিয়ান্টোনা হায়খি।

মদু মালেমগী মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক অদুদা দিটেক্ট তৌবা ঙমখিবা খ্বাইদগী নৌবা টেররগী খুজিল থৌরাংনি। আই এসকী ঈথিল হেনগৎলকপদগী চহী অসিদা লৈবাক অদুদা এটেকশিং অমসুং এটেক তৌনবা হোৎনবা হেনগৎলকখি।

মখোয়না 'সিঙ্গাপোরদ টেরর এটেক অমা চথনবা থৌরাং তৌখি। মখোয়না সিঙ্গাপোরবু বাটমদগী রোকেট অমা কাপশিন্দুনা এটেক তৌবা পামখি' হায়না স্পোক্সমেন অদুনা পাউমীশিংদা হায়খি।

অতোপ্পা পুলিসকী স্পোক্সমেন বোই রাফলি অমরনা হায়খি, মখোয়গী টার্গেটতি মরিনা বেনি। দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মরিনা বে সেন্দস হায়না খঙনবা সোপ্পিং মোলশিং, হোটেলশিং অমসুং কেসিনো অমা য়াওবা লক্সরি কমপ্লেক্স অমা লৈ। রিয়ান্টোনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা পুলিসকী প্রিলিমিনরি দেটা লৈরে, এটেক চথনবগী খুজিল থৌরাং অদুগী মতাংদা থিজিল্লি হায়খি।



HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,**
**EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT**

**N O T I C E**
**Imphal, the 4th August, 2016**

No. EE/2/57/82 : It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are lying vacant in the Directorate of Information & Public Relations, Government of Manipur, Imphal. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Assistant on or before 11th August, 2016 in this office at Room No. 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below :--

1. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : **Reporter**
   Number of Posts : 6 (six)
   Qualification : 1. Degree of a recognized University. 2. About 2 (two) yrs. Journalistic experience in Govt. organization/news agency/ newspapers of standing.
   Time of Interview/test : Will be announced later on.
2. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : **Information Assistant**
   Number of Posts : 4 (four)
   Qualification : 1. Degree of a recognized University. 2. About 2 (two) yrs. Journalistic experience in Govt. organization/news agency/ newspapers of standing.
   Time of Interview/test : Will be announced later on.
3. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : Translator (Dialect)
   Number of Posts : 6 (six)
   Qualification : 1. Graduate of recognized University. 2. Good Knowledge of the particulars dialect for which the particular vacancy is required to be filled.
   Time of Interview/test : Will be announced later on.
4. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : Stenographer-II
   Number of Posts : 1 (one)
   Qualification : Matriculation of a recognized University/Board with the speed of 80 w.p.m. and 65 w.p.m. in shorthand (English)
   Time of Interview/test : Will be announced later on.
5. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : Office Assistant
   Number of Posts : 7 (seven)
   Qualification : Matriculation of a recognized University/Board. 2. Computer typing speed with minimum of 35 w.p.m. in English.
   Time of Interview/test : Will be announced later on.
6. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : Data Entry Operator
   Number of Posts : 2 (two)
   Qualification : 1. 10+2 from a recognized University. 2. Diploma in Computer application. 3. Typing speed of 40 w.p.m. of English and Manipuri.
   Time of Interview/test : Will be announced later on.
7. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : Driver
   Number of Posts : 7 (seven)
   Qualification : 1. Class VIII Passed. 2. Driving License for at least 5 years. 3. Driving **experience** for 3 years.
   Time of Interview/test : Will be announced later on.
8. Name of Department : Directorate of Information & Public Relation
   Name of Post : Peon
   Number of Posts : 9 (nine)
   Qualification : HSLC/Equivalent from a recognized University or Board.
   Time of Interview/test : Will be announced later on.

Age- Min 18 yrs. Max 38 years
(relaxation of age as per Govt. Rules)

NG. IBOTHOI SINGH
Employment Officer, Imphal West.

## High Court Chandigarh Recruitment 2016

High Court of Punjab & Haryana at Chandigarh invites application for the post of 04 Stenographer-III in Subordinate Courts of Punjab & Haryana by way of Direct recruitment. Apply Online before 21 August 2016.
Advt No. : 15S/SSSC/CHD/2016

**Job Details :**
Post Name : Stenographer-III
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 10300-34800/-
Grade Pay : Rs.3600/-

**Eligibility Criteria for High Court Chandigarh Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor of Arts or Bachelor of Science or equivalent thereto from a recognized university and must have proficiency in operation of computers (Word Processing and Spread Sheets).

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 30 years as on 01.01.2016

Job Location : Haryana

**Selection Process :** Candidates will be selected based on Computer Proficiency Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.1000/- through Challan.

**How to Apply :** Interested candidates may apply online through the website www.sssc.gov.in from 22.07.2016 to 21.08.2016 (Step-I) & 24.08.2016 (Step-II).

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 22.07.2016
Last Date For Registration of Application (Step-I) : 21.08.2016
Last Date For Submission of Application Fee in Bank : 23.08.2016
Last Date For Submission of Application (Step-II) : 24.08.2016
Detail Advertisement Link : http://www.recruitmenthighcourtchd.com/sssc/STENOGRAPHERGRIII.pdf
Apply Online : http://www.sssc.gov.in/postapplyCHD.aspx?enc=wBrHyVLI0AVtawjRgSt3lUJmturWylNvCxOYeEUnauPwm2CJ5r25ueIwSV174mwT